# পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌননবা রাহুল গান্ধিনা পিএম মোদিদা মরাল শীরক্লি ঃ নিতিন গদকারি





নাগপুর, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী লৈঙাক পায়রিবা বিজেপি অমসুং চুংশিন্নবা পার্টি (এনদিএ)গী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং বিজেপিগী সেনিয়র লিদর ওইরিবা নিতিন গদকারিনা কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা শেঙ্গা থুমজাগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা কয়া লৌনবগীদমক্তা মরাল কয়া শীরক্লি হায়খ্রে।

লোক সভা মীখল নকশিল্লকপগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী লৈঙাক্কী ওইবা পাউগী এজেন্সি অমগা ৱারী শান্নবদা বিজেপিগী লুচিংবা নিতিন গদকারিনা কোংগ্রেস পার্টিবু হুল্লদুনা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। মদুগী মনুংদা কোংগ্রেস পার্টিনা মখোয়গী মীখলগী মেনিফেষ্টোদা ফোঙদোকখিবা মিনিমম ইনকম স্কিমগী মখাদা শেল খ্বাইদগী পায়দবা লৈবাক অসিগী মীওই অমদা চহীগী ওইনা লুপা ৭২,০০০ পীগনি হায়বগী থাজবা থমখিবা অসি য়াম্না ঙক্লিংঙাই ওইবা থবক ওইনা পাঙথোকপদা ঙম্লোইদবা অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

বিজেপিগী হান্নগী লুচিংবা পার্টি অসিবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎলম্বা এলকে অদবানি অমসুং মুরলি মনোহর জোসিবু নমথদুনা থম্বীরে হায়বা কোংগ্রেস পার্টিগী ৱাহৈশিং অদু অরানবনি হায়না গদকারিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

গদকারিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বিজেপিগী এলকে অদবানিনা ৱাফম অমা থল্লকপা অদু হৌজিক লৈরিবা বিজেপিগী খোঙলোই খুদিংমক্না থবক ওইনা পাঙথোক্লবা হোৎনরি। মদুগী ওন্ন-তৈনবদা কোংগ্রেস পার্টিনা বিজেপিগী সেনিয়রশিংগী ৱাখল্লোল হৌজিক লৈরিবা বিজেপিগী খোঙলোইশিংনা মরু ওইনা লৌদে হায়বগী ৱাফম অমা থাঙ্গৎলকপা অদু অরানবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নিতিন গদকারিনা মখা তানা ফোঙদোকপদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমনা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টি অমগী মীহুৎ অমা ওইনা থৌ পুরবসু মহাক্কী থবক থৌরমশিংদা পার্টি খুদিংমক্কী অপাম পামদা অমদি অৱাৎপশিং অদু য়েংদুনা মীয়ামগী ওইবা প্রাইম মিনিষ্টর অমগী থৌদাং লৌরিবনি। পার্টি অমগী প্রাইম মিনিষ্টর নত্তে হায়বগী ৱাফম থমখি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অমসুং বিজেপিগী সেনিয়র লুচিংবা অমা ওইরিবা নিতিন গদকারিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস পার্টিগী মায়কৈদগী ‘ন্যুনতম আই যোজনা’ (ন্যাই)গী মখাদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা শেল খ্বাইদগী পায়জদবা ইমুংশিংদা চহী অমদা লুপা ৭২,০০০ পীবগী স্কিম অদু মপুং ফানা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা লুপা ক্রোর ৩,৫০,০০০ চঙগদৌরি। হায়রিবা শেফম অসি কোংগ্রেস পার্টিনা করম্না অমদি করম্বা একাউন্টতগী মতেং পাঙগদৌরিবনো হায়না চাওনা ৱাহংহংলক্লি।

গদকারিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৪৭তা বৃটিস লৈঙাক্তগী ইন্দিপেন্দন্ট ওইবা লৈঙাক অমা শেম্বা ঙমখ্রবা মতুং কোংগ্রেসনা ঙসি ফাওবদা ‘গরিবি হটাও’ (লাইরবা মুত্থৎলু) হায়বা স্লোগান লাউদুনা লাক্লি। থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদনা লাকখিবা অদু বিজেপি লৈঙাক লাকপদগী শেল পায়জদবা অমদি লাইরবশিংগী ওইনা তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎতুনা চাদা ১০০ মতেং পাঙবা ঙমদ্রবসু লাইরবশিংগী ইমুং মনুংদা হান্নগী লৈঙাক্না শীল্লম্বা পোরমশিং অদুগী মখা তারকপদা কান্নবা খরদি ফঙহনবা ঙমখি হায়না ফোঙদোকখি।

# ধনুস আর্টিলরি গন মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা লৈবা ইন্দিয়ান আর্মিদা খুৎশিন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিদা দিজাইন তৌদুনা শাজবা অহানবা ধনুস আর্টিলরি গন মধ্য প্রদেশকী জবলপুরদা লৈবা ইন্দিয়ান আর্মিদা খুৎশিন্নখ্রে।

ধনুস আর্টিলরি গন অসি কুমজা ১৯৮০দা ইন্দিয়ানা মীরমদগী লৌখিবা বোফোর হোবিটস এফঐচ ৭৭তা বেজ ওইরগা শাবা লোং রেঞ্জ আর্টিলরি গন মখল অমনি। গন অসি ইন্দিয়ানা শাজদুনা কুমজা ২০১৮দা দিভপমেন্ট ট্রাইয়েল পাঙথোকপা লোইখি। অদুবু কুমজা ২০১৯দা পুথোক্লবা শেম শাখিবনি।

ধনুস আর্টিলরি গন অসি মফম খুদিংমক্তগী (লৈকং, ঈশিং লৈবা মফম অমদি অঙম্বা মফম)দা শীজিন্নবা য়াবা আর্টিলরি গন অমা ওইরি। নোংমৈ মখল অসিনা মমাঙদা ইন্দিয়ানা মীরমদগী লৈখিবা বোফোর গনদগী কিলোমিটর ১১ হেন্না শান্না লৈবা টার্গেটতা এটেক তৌবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈরি।

ইন্দিয়ান আর্মিগী এদিস্নলর দাইরেক্টোরেট জেনরল ওফ পাব্লিক ইনফোর্মেসননা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা মিল্লিমিটর ১৫৫/কেলিভর ৪৫কী সিষ্টেম ওইবা ধনুস আর্টিলরি গন অসি জবলপুরদা লৈবা ইন্দিয়ান আর্মিদা খুৎশিন্নখিবগা লোয়ননা মখা তাবা খোঙথাংদা ইন্দিয়াগী দিফেন্স দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা ওর্দনান্স ফেক্টরিস বোর্দতা খুৎশিন্নদুনা লৈবাক শীনবা থুংদা নোংমৈ মখল অসি শীজিন্নবা য়াবগী তাঞ্জা অমা পীরি।

ধনুস আর্টিলরি গন মখল অসি ইন্দিয়ান আর্মিদা মমাঙদা পীখিবা কে-৯ বজরা অমসুং এম-৭৭৭ আর্টিলরি গন অনী অদুগী মতুংদা অনৌবা মখলগী নোংমৈ অমা ওইনা ইন্দিয়ানা মরোমদোম শেমগৎচরকপনি।

ধনুস আর্টিলরি গন অসি মালেমদা তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা শীজিন্নরিবা থাক মান্নবা নোংমৈশিংগা চাংচৎ অমদা চৎমিন্নবা য়াবা নোংমৈ মখল অমা ওইরি। নোংমৈ অসিদা ইন্নর্সল নেভিকেসনদা বেজ তৌবা সাইটিং সিষ্টম, ওটো লেয়িং ফেসিলিটি, ওন বোর্দ বেলেষ্টিক কম্প্যুটেসন অমদি নুংথিল অমসুং নুমিদাংদা মৈঙাল ৱাৎপা অমসুং হেনবগী অৱাবা লৈবা সিষ্টেম অমা ধনুস আর্টিলরি গন অসিদা য়াওরি।

ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱাফম অমগী মতুং ইন্না ধনুস আর্টিলরি গন অসি অৱাংবা চীংগী মফমদা শীজিন্নবদা অৱাবা লৈরোই হায়না ফোঙদোরক্লি। দিআরদিও, দিজিক্যুএ, দিপিএসয়ুগী মায়কৈদগী অপুনবা এক্সপার্টশিংনা পুনশিল্লগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা শেমগৎপা শান্না কাপ্পা ঙম্বা আর্টিলরি গনশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা নৌনা পুথোক্লিবা ধনুস আর্টিলরি গন অসি অমা ওইরি।

ইন্দিয়াগী লৈঙাক্কী ওইবা দিপার্টমেন্টশিং খক্তা নত্তনা প্রাইভেট কোর্পোরেসনগী মায়কৈদা ভারত ইলেক্ট্রোনিক্স লিমিটেদ অমদি এসএআইএলগুম্বা কম্পেনিশিংগী মায়কৈদগী মতেং কয়া অমসু য়াওরি।

# নাগালেন্দদা বিজেপিগী প্রাইমরি মেম্বর ৩৭ পার্টি অদুদগী তোক্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে

কোহিমা, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক ষ্টেট অমা ওইরিবা নাগালেন্দদা লৈবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বিজেপি)গী প্রাইমরি মেম্বর ৩৭ পার্টি অদুদগী রিজাইন তৌরে হায়বগী চেরোল নাগালেন্দ বিজেপি য়ুনিটকী প্রসিদেন্টতা পীশিনখ্রে।

নাগালেন্দগী বিজেপিদা য়াওরম্বা ঐচকে খুলু (রিটয়র্দ আইএএস), ডা. কুহোই ঝিমোমি, অনিতো খুলু, চন্দি দোমতা অমসুং অতোপ্পা জুনহেবোটো বিজেপি য়ুনিটকী মরু ওইবা মেম্বর ৫ য়াওনা পার্টি অদুদগী তোক্লে হায়না ফোঙদোরক্লি।

বিজেপিদগী তোক্লে হায়না খুৎয়েক পীখিবা নাগালেন্দগী হান্না পার্টি অসিগী মেম্বর ওইরম্বা মীওই ৩৭না ফোঙদোরকপদা মখোয়না বিজেপিগী প্রিন্সিপল অমসুং ফিলোজোফিদা য়ানিংদবা কয়া য়াওবদগী অমদি বিজেপিগী হিন্দুত্ব পোলিসি অদুবু মরু ওইনা পামদবদগী মমাঙদা মখোয়না বিজেপি য়াওরম্বা অদু তোকথোক্লগনি হায়না অপুনবা চেরোল অমা পীরকপনি।

বিজেপিদগী তোকখিবা মেম্বর ৩৭ অদুগী মনুংদা মীওই অমনা ফোঙদোরকপদা পার্টি অসিনা ষ্টেট অদুগী মীয়ামদা থাজবা থমদুনা ইনেদা-নাগা পিছ টোক অথুবা মতমদা লোইশিনগনি হায়বগী থবক থৌরমশিং ঙসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদবা অমদি কুমজা ২০১৫দা লৈখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী খোঙথাংশিং অদুসু মপুং ফানা পায়খৎপা ঙমদবা অদুনা মরম ওইরগা পার্টি অসিদগী তোকপনি হায়খি।

মখা তানা নাগালেন্দদা লৈরিবা বিজেপি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ষ্টেট অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী থাজবা ঙসি ফাওবা ফঙবা ঙমদ্রি। সিটিজন (এমেন্দমেন্ট বিল) অসিগী মতাংদসু সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বিজেপিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা চপ চাবা ৱারেপ অমা পীবা ঙমদ্রি। মদুগী মনুংদা নাগালেন্দ ষ্টেটসু য়াওরিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা লখিম্পুর অমসুং দিফুদা বিজেপিগী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরিবা অমিত সাহনা ফোঙদোকখিবদা রাজ্য সভাদা বিল ওইনা পাস তৌবা ঙমখিদ্রবসু মীখল অসিগী মেনিফেষ্টোদা মরু ওইনা শরুক অমা ওইগনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখি।

বিল অসি পাস তৌরবা মতুং এক্ট ওইনা লাক্লবদি নাগালেন্দ অমদি য়ুম্লোন্নবা ষ্টেটশিংদা অচৌবা দিমোগ্রাফিক্কী ওইবা চয়েৎনবা অমসুং অহোংবা অমা লাক্কনি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। অৱাং নোংপোক ষ্টেটতা লৈরিবা মীয়ামগী আইদেনিটটি অমসুং অতোপ্পা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংগা মান্নদবা শক্লোন অমা লৈরিবা অসি মাঙখিবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না নাগালেন্দগী বিজেপিদগী তোকখ্রবা মেম্বরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# মিদলমেন মোহন গুপ্তা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী)ঃ

দিল্লিগী কোর্ট অমনা ঙসি লুপা ক্রোর ৩,৬০০দা চেন্নবা ওগষ্টা ৱেষ্টলেন্দ ভিভিআইপি চোপ্পর দিল কেসকী মতাংদা মরাল লৈ হায়না লৌনরিবা মিদলমেন সুসেন মোহন গুপ্তা মখা তানা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথখ্রে।

সুসেন মোহন গুপ্তা ঙসি দিল্লি কোর্টকী স্পেসল জজ অর্বিন কুমারগী মমাঙদা মহাক্কী এনফোসর্মেন্ট দাইরেক্টোরেটকী কষ্টদি লোইগদবা নুমিৎ নীনি ৱাৎলিঙৈদা পুথোকখি। অদুবু কোর্ট অসিনা মহাকপু জুদিসল কষ্টদিদা থা অসিগী ২০ ফাওবা থমগদবনি হায়বা রিমান্দ পীখি।

নীংশিংবা য়াই, সুসেন মোহন গুপ্তা মমাঙ থাগী ২৬তা ইন্দিয়াগী ইনফোসর্মেন্ট দাইরেক্টোরেটনা ফাখিবনি। মহাক ফাখিবা অদু কোর্ট অসিনা দুবাইদা বেজ তৌবা বিজিনেসমেন রজিব সকসেনা অমদি অতোপ্পা মরাল লৈবা মিদলমেন অমবু এপ্রুভর ওইবদা য়ান্নবা অমা পুরকপদগী সুসেন মোহন গুপ্তা ফাবা ঙমখিবনি।

এপ্রুভর ওইরবা রজিব সকসেনানা ফোঙদোরকপদা সুসেন মোহন গুপ্তা অমসুং অতোপ্পা মীওই খরনা ওগষ্টা ৱেষ্টলেন্দনা পীরকপা ট্রান্সজেক্সনশিং অদু ইন্টর ষ্টিল্লর টেক্নোলোজি হায়না খঙনবা কম্পেনি অমনা খুদোংচাবশিং অদু লৌখিবনি হায়রি।

ইদিগী মায়কৈদগী রজিব সকসেনানা মহাক্কী লোইনবা অদুগা চুংশিন্নরগা মনি লোন্দরিং তৌদুনা পোলিটিসিয়ন, ব্যুরোক্রেটশিং অমসুং ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী ওফিসলশিংদা শেল পীননবা গ্লোবেল কোর্পোরেট অমা শেমগৎখিবনি।

# রজিব কুমারনা সুপ্রিম কোর্টতা থারকপা এপ্লিকেসন অদুগী পাউখুম সিবিআইদগী হংলক্লি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ৱায়েলশঙগী খ্বাইদগী মকোক ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা কোলকতাগী পুলিস কমিস্নর ওইরম্বা রজিব কুমারদগী মহাকপু সিবিআইনা লুপা ক্রোর কয়া চেন্নবা সরধা চিট ফন্দ কেসকী মতাংদা ফানবা হোৎনখিবা অদুগী পাউখুম পীরক্লবা খঙহনখ্রে।

সিবিআইনা মমাঙগী সুপ্রিম কোর্টতা কোলকতাগী পুলিস কমিস্নর রজিব কুমারগী মথক্তা থোকখিবা ওর্দর অদু হন্দোক্লবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টকী চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা কোলকতাগী পুলিস কমিস্নর ওইরম্বা রজিব কুমারদা নোর্টিস অমা পীদুনা সিবিআইনা হংলক্লিবা ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম চয়োল ৪গী মনুংদা পীগদবনি হায়না খঙহনখি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৫দা সরধা অমসুং রোজ ভেল্লি পোঞ্জি স্কেম কেসশিংদা চেন্নরিবা কোলকতাগী হান্না পুলিস কমিস্নর ওইরম্বা রজিব কুমার ফাবগী মতাং অদু ষ্টে তৌদুনা থল্লকখিবনি।

সিবিআইনা ৱেষ্ট বেঙ্গল ওথোরিটিশিংদা কোর্টকী ওর্দরশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লনবা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াই, সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সিবিআই)না কোলকতাগী পুলিস কমিস্নর ওইরম্বা রজিব কুমারবু কষ্টোদিয়ল ইনটেরোগেসন অমা তৌনবা হায়খিবা অদুদা সুপ্রিম কোর্টকী মায়কৈদগী অথিংবা লাকখি। রজিব কুমার মশামক্না ৱেষ্ট বেঙ্গলদা সরধা চিট ফন্দ স্কেম অদুগী থিজিনবগী লুচিংদুনা থবক পায়খৎখিবনি।

চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৩দা সিবিআইগী ওফিসল টিম অমনা কুমারবু মহাক্কী কোলকতাদা লৈবা ময়ুমদা চঙহনবা থিংদুনা মহাকপু সরধা চিট ফন্দ স্কাম অদুগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং তৌননবা কষ্টদিদা থম্নবা হোৎনখি।

অদুবু কোলকতাগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা লুচিংদুনা রজিব কুমার ফাবা য়ারোই হায়বগী মতাংদা সিট ইন প্রোটেষ্ট ফমখিবদগী রজিব কুমারবু সিলোংদা সিবিআইগী ইনটরোগেসন মায়োক্লবা লৈখি।

# অসামগী অহানবা লোক সভা ফেজগী মীখল লম্বা য়াম্না মান্নগদৌরি

গুৱাহাটি, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সী)ঃ

এপ্রিল ১১দগী ইন্দিয়াগী লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৭শুবা লোক সভাগী মীখল অসিদা অসামগী ওইনা লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৫গী লম্বা পাঙ্গল মান্নগদৌরি।

অসামগী কালিয়াবর, টেজপুর, জোরহাট, দ্রিবুগর অমসুং লখিম্পুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা বিজেপি অমসুং ওপোজিসন পার্টিগী লুচিংলিবা কোংগ্রেসকী মীরেপশিংনা মরু ওইনা চাং মান্নবা মওংদা লম্বা তৌনগদৌরি।

কালিয়বর লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সিদা কোংগ্রেসকী সিটিং এমপি গৌরপ গোগোই অমসুং অসোম গনা পরিসদকী মোনি মাধপ মহন্তগা লম্বা তৌনগদৌরি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা অসোম গনা পরিসদনা বিজেপিগা চুংশিন্নদুনা কোংগ্রেসকী গৌরপ গোগোইগা লম্বা তৌনগদৌরি।

কারিবর কন্সটিট্যুয়েন্সি অসি অসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেস পার্টিগী তরুন গোগোইনা কোংগ্রেস পার্টিগী পাঙ্গল লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমা ওইনা শেমগৎলম্বনি। কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা বিজেপি অমসুং অসোম গনা পরিসদকী চুংশিন্না মীরেপ্পা লাক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মায় পাকপা তারবদি কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা গোগোই শাগৈগী পাঙ্গল অদু মুখৎপা ঙমগদৌরিবনি।

টেজপুর কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বিজেপিগী মীরেপ পল্লব লোসান দাস অমসুং ষ্টেট অদুগী লেবর মিনিষ্টর ওইরিবা অমনি। কোংগ্রেসনা শৌগৎপা এমজিভিকে ভানুগা লম্বা তৌনগদৌরি। টেজপুর কন্সটিট্যুয়েন্সি অসি কোংগ্রেসনা মতম শাংনা খুদুম চন্দুনা লৈরকপনি। অদুবু কুমজা ২০০৯দা অসোম গনা পরিসদকী জোসেপ টোপোনা মায় পাকপদগী কোংগ্রেসকী পাঙ্গল হন্থরকখি।

হায়রিবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা কুমজা ২০১৪গী মীখলদা বিজেপিগী রাম প্রসাদ সরমানা এজিপিগী টোপোবু মায়থিবা পীখিবদগী হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেস অমসুং বিজেপিগী ওইবা লানফম অমা ওইগদৌরি।


## JOB IN IMPHAL

ওফিসকী অহাংবা ফম ৫১গীদমক তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা Class X, XII পাস তৌরবা অমদি Graduate তন্নিবা মীওই (Male/Female) শিংদগী থবক্কী দরখাষ্ট কৌজরি। মশাগী চহী ৩০গী মনুংদা লৈবা থবক তৌবিবা পাম্বা মীওইশিংনা এপ্লাই তৌবীবা য়াগনি। তোঙান-তোঙানবা পোষ্টকী মতুং ইন্না থাগী Income Rs. 10,000/- দগী Rs. 35,000/- ফাওবগী মনুংদা লৈগনি। Deposit লৌজরোই। অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক লৈফম-চাফমগী খুদোংচাবসু লৈগনি। Apply তৌবীবা পাম্বীবা মীওইশিংনা অথুবা মতমদা ইশাগী Bio-data গা লোয়ননা ওফিসতা তানবীয়ু।

Visiting Hr : 12 noon to 3 p.m.

Contact : 8014170652 or 8414834122

HL-P/3944/9,11 &16



GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AYUSH, LAMPHELPAT
NOTICE
Imphal, the 5th April, 2019

No.53/NAM/WHD-CELEBRATION/2019: The Directorate of AYUSH, Lamphelpat, State AYUSH Society, Manipur & Homoeopathy Medical Association, Manipur is going to observed World Homoeopathy Day on the eve of Birth Anniversary of the founder of Homoeopathy Dr. Christian Fredrich Samuel Hahnemann on 10th April, 2019 with one day conference on Homoeopathy at Indian Medical Association(IMA) Hall, Lamphelpat.

All the Homoeopaths, students, sympathisers and general public are informed to participate in the observation & requested to register themselves on or before 9th April, 2019 at Directorate of AYUSH during office hour.

HL-B/5326/8,9

Sd/- Dr. L. Promila Devi, Director AYUSH



ADMISSION OPEN

ENGLISH & RHYMES COURSES

For

- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE

[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]

At

SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)

Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal

Contact No. ☎ 8974642764

HL-B/3785/12/2-13/3





HL-B/5246/28,29,30,31,1




HL-P/5321/6/4-8/5